# ইন্দিয়া, জপান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ৱারী শান্নগদৌরি



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি): জপানীজ প্রাইম মীনিষ্টর শিঞ্জো অবে অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্প উন্নদ্রিঙৈগী মমাংদা ইন্দিয়া, জপান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ৱারী শানগদৌরি। লৈবাক অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরমদা ষ্টেট দিপার্টমেন্তকী দেপ্যুটি এসিস্তেন্ত সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর সাউথ এন্দ সেন্ত্রেল এসিয়ান এফিয়রস এলিস ৱেল্স অমসুং এক্তিং এসিস্তেন্ত সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর ইষ্ট এসিয়ান এন্দ পেসিফিক এফিয়রস শুশান থোর্নতোননা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা শারুক য়াগদৌরি। ত্রম্পকী ফ্লোরিদা রিজোর্টতা অবে অমসুং ত্রম্প উনদুনা ৱারী শানদ্রিঙৈগী মমাংদা ইন্দো-পেসিফিক রিজলগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক অহুম ৱারী শান্ননবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। এপ্রিল ৬তা অমত্তা সেন্টর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসনা শীন্দুনা পাংথোকদৌরিবা ইন্দো য়ু এস ফোরমদা ৱেলসনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান গভর্নমেন্টকী শীনিয়র ওফিশলশিংগসু ৱারী শানগদৌরি। কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বরদা হীলারি ক্লিন্তননা ষ্টেট সেক্রেতরি ওইরিঙৈদা ইন্দিয়া, জপান, য়ু এস ত্রাইলেটরেল শেমখিবনি। দিরেক্তর নৎত্রগা এসিষ্টেন্ত সেক্রেটরিগী থাক্তগা ত্রাইলেতরেলগী মীফম কয়ারক পাংথোকপা লৈখ্রে।

# নুপী অমনা য়ু ট্যুবকী হেদ ক্বার্টরদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৪ শোকহল্লগা মথন্তা শীজখ্রে

সেন ব্রুনো, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি): সেন ফ্রান্সিস্কো মনাক্তা লৈবা য়ু ট্যুবকী হেদ ক্বার্টরদা নুপী অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৪ শোকহল্লল্লবা মতুংদা মশা মথন্তা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে।

লো ইনফোর্সমেন্ত ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা নুপী অদু খা থংবা কেলিফোর্নিয়াদগী নাশিম অঘদম কৌই হায়না ফোংদোকখি। মমাংদা এ পিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি লঞ্চ মতমদা চহী ৩০ রোম শুরবী নুপী অমনা য়ু ট্যুবকী হেদ ক্বার্টরদা নোংমৈ রাওন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লল্লবা মতুংদা মশা মথন্তা শিজখিবনি।

ইমুং-মনুং নুংঙাইনদবদগী নুপী অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অদু চৎথখিবনি হায়না সিনির্য়র লো ইনফোর্সমেন্ত ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি। য়ু এস গভর্নমেন্তকী সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা রোইটর্সতা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু টেররিজমগা মরী লৈনদে হায়রি।

য়ু ট্যুবকী প্রদক্ত মেনেজর টোদ সেরমননা হায়খি, অহানবদা মীয়াম লাংনরকপা মখোল তাবদা য়ুহা হাবা ওইরবোই নীংখি। অকোনবদা মীওই অমনা নোংমৈ পায়রগা চংলকপা উবদা মীপাইনদুনা মীয়াম চেন্নবনি হায়বা খঙলকখি। লৈমাই অমদি দোলান কাফমদা ঈ তারম্বা থেংনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হন্দক মরক মতৌ অসুম্না মীওই কয়া পাক্তক্লা হাৎপগী থৌদোক তোইনা থোকপা লৈখ্রবনি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ফ্লোরিদা হায়স্কুলদা মীওই ১৭ হাৎপগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা নোংমৈ পাইবগী মতাংদা অনৌবা লো শেমনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

য়ু ট্যুবকী হেদ ক্বার্টরসতা থোকখিবা থৌদোক্তা শোক্লবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা মীওই অমা সেন ফ্রান্সিস্কো জেনরেল হোসপিতালদা অরুবা ফীভমদা লাইকন্নরি। ওথোরিতিশিংনা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিংগী মমিং মথা ফোংদোরকপা লৈত্রি।

সেন ফ্রান্সিস্কো জেনরেল হোসপিটালদা পুখৎলকপা মীওই অহুম থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না হোসপিটালগী ত্রোমা সরজন দোক্তর এন্দ্রি কেম্পবেলনা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখি। মরিশুবা মীওই অদুদি কা হেন্না শোক্তৱা মরম্মা মনাক নকপা হোসপিতালদা লায়েংলি।

য়ু ট্যুবকী চীফ ইগজেক্যুটিব সুশান ৱোজসিকীনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱাফম অমত্তা ফোংদোকপা তৌখিদে।

মমাংদা য়ু ট্যুবনা নোংমৈগা মরী লৈননবা ভিদিয়োগী মতাংদা অনৌবা থৌশিল শেল্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ফ্লোরিদাগী পার্কলেন্দদা লৈবা হায়স্কুল অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা য়ু ট্যুবনা অনৌবা থৌশিল শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

নোংমৈ লৈবা অমদি পায়বগী মতাংদা চৎনরিবা লো শেমদোক্লবা থৌরাং অমসু ফ্লোরিদা ষ্টেটতা লো মেকরশিংনা লৌখৎলকপা লৈখ্রবনি। মমাং থাদা য়ু ট্যুবনা নোংমৈ কাপ্নবগী ভিদিওশিংদা অনৌবা কাংলোন অমা শেমদুনা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

গুগলনা মপু ওইরিবা ভিদিও ষ্ট্রিমিং সর্ভিসনসু নোংমৈ শেম্বা অমদি শাবগা মরী লৈনবা ভিদিও পুম্নমক থিংনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না মাংজৌননা লাউথোকপা লৈখ্রে।



# সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌনা পেলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট শেম্বদা শৌগৎপা ফোংদোকখ্রে



রিয়াধ, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি): সাউদি অরবিয়াগী ক্রাওন প্রিন্সনা ইজরেলিশিং মশাগী লমদমদা নীং তম্না লৈজনবগী রাইট লৈ হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুংদা নিংথৌ সলমাননা তোখাইবা পেলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট শেম্বদা সাউদি অরাবিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইজরেল অমসুং গজাগী লোন্নবা ঙমখৈদা পেলেষ্টিনিয়ন ১৬ নোংমৈনা কাপতুনা হাৎখ্রবা মতুংদা নিংথৌ সলমাননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পকা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা মীদল ইষ্টতা ইং তপ্পা পুরক্লবা থৌরাং খোংজেল য়াংশিনহনবা মথৌ তারে হায়না ফোংদোকখি।

পেলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগী তোখাইবা ষ্টেট শেমদুনা জেরুসলেমবু কেপিটেল ওইহনগদবনি হায়না মহাক্না ফোংদোকখি। পেলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগী মায়কৈদা লেপ্তুনা ৱাঙাংখিবগীদমক নিংথৌ সলমানবু পেলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ত অবাসনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ইষ্ট জেরুসলেমনা কোনুং ওইরগা তোখাইবা পেলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট শেম্নবা থৌরাংদা মপুং ফানা শৌগৎলকপগীদমক সাউদি অরবিয়াবু মহাক্না তৌবিমল খঙবা উৎখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ক্রাওন প্রিন্স মহমদ বিন সলমাননা য়ু এসকী মেগজিন *দ এটলান্তিকতা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খিবনি মদুদি পেলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলিশিংনা মশা মশাগী লমদা মনীং মখা তৌনা লৈজনবগী রাইট চপ চানা লৈ। ইসলামগী হৌরকফম ওইরিবা অমসুং ইসলামগী লাইশঙ কয়া লৈরিবা সাউদি অরবিয়ানা হৌজিক ফাওবা ইজরেলবু শক খঙবা লৈত্রি।*

*সাউদি অরাবিয়া অমদি ইজরেলনা হৌজিক ফাওবা দিপ্লোমেটিককী ওইবা মরী থম্নদ্রি। লৈবাক অনীমক্না ইরানবু য়েক্কবা ওইনা লৌবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপুনা খ্বাইদগী ননক্লবা মরুপনি হায়না লৌরি।*

# য়ু এননা টেররিস্তকী লীস্ত লাউথোরকপদা পাকিস্তানগী ১৩৯ য়াওরে

*য়ু নাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি): য়ু নাইটেদ নেসন্সনা মালেমগী ওইনা টেররিস্তশিংগী অনৌবা লীস্ত লাউথোরকপদা পাকিস্তানগী মীওই ১৩৯ য়াওরে।*

*পাকিস্তানদা লৈরম্বা নৎত্রগা পাকিস্তানদগী ওপরেট তৌবা টেররিস্ত ১৩৯ অনৌবা লীস্ততা য়াওরকখিবা অসিনা মালেমগী মীয়াম মাংদা পাকিস্তান ইকাইবা নংলে। অল-কৈদাগী লুচিংবা এমান অল জৱাহিরিনা লীস্তকী মকোক ইথং থংনা য়াওরকখি।*

*লীস্ততা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংদি ইন্দিয়ানা ফাগদৌবগী তানরিবা দারুদ ইব্রাহিম, লাস্কর-ঈ-তোইবা (এল ই টি) গী লুচিংবা হফিজ সায়েদ, মহাক্কী দেপ্যুটি অব্দুল সলাম অমসুং জফর ইকবাল অসিনচিংবনি।*

*পাকিস্তানদা ওপরেট তৌরিবা নৎত্রগা লৈবাক অসিগা মরী লৈনবা অল রসিদ ত্রস্ত, হরকত উল মুজাহিদিন, ইসলামিক মুবমেন্ট ওফ উজবেকিস্তান, ৱাফা হ্যুমেনিটরিয়ান ওরগনাইজেসন, জে ই এম, রবিতা ত্রস্ত, উমা তামির-ই-নাউ, অফঘান সপোর্ট কমিতি, অল অখতার ত্রস্ত ইন্টরনেসল, হরকৎ উল জীহাদ ইসলামি, টেহরিক-ই- টালিবান পাকিস্তান, জমাট উল অহরর অমসুং খাতিবা ইমাম অল বুখারিসু লীস্ততা য়াওখি।*



*পাকিস্তাননা টেররিজমগী চৈথেং ফংলে হায়না ফোংদোকখিবা তারবসু ওন্ন তৈন্নবা মওংদা পাকিস্তাননা টেররিজম শৌগৎপগী খুদম ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০০১ গী মে ২ দা য়ু এসকী নেভি সীলসনা পাকিস্তানদা ওসামা বীন লাদেন থেংনদুনা হাৎখিবদগী পাকিস্তাননা মালেমগী মীয়াম মমাংদা ইকাইবা নংখিবনি।*

*হন্দক্তা ইন্দিয়াগী হায় কমিসনর অজয় বীসরিয়ানা পাকিস্তানগী নেসনেল সিক্যুরিতি এদভাইজর লেফটনেন্ত জেনরেল (রিটয়ার্দ) নাসির খানগা উনখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা থমনরিবা মরীগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শানখি।*

*টেররিজমগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ফাওরিবা নুংনাংবা পুন্নমক পাকিস্তানদা ময়েক শেংনা খংহনখি হায়না সোস অমনা পি টি আইদা ফোংদোকখি। ফোরেন ওফিসকী মায়কৈদগীদি হন্দক্তা পাংথোকখিবা মীফম অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোংদোরকপা লৈত্রি।*

*সোস অমনা হায়খি ইন্দিয়াগী মীহুৎনা জমু এন্দ কাস্মিরগী সোপিয়ান অমদি অনন্তনগতা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মিলিটেন্ত ১৩ শীখিবগী ৱাফম পুখৎখি হায়রি।*

*ইস্লামবাদতা লৈবা এন এস এগী ওফিসনা থাদোরকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি। বীসারিয়ানা জঞ্জুৱাগা উনদুনা জমু এন্দ কাস্মিরদা নোংম নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া অমসুং অতৈ য়ুমল্লোন্নবা লৈবাকশিংগা মরী ফগৎহনবা পাম্মি হায়বা ৱাফম জঞ্জুৱানা ময়েক শেংনা ফোংদোকখি।*

*য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবগা লোয়ননা অমনা অমগী ফাজিন্দুনা থমনরিবা ফাদোকশিং থাদোক্লবগী মতাংদসু মহাক্না ৱাফম কয়া পুখৎখি। নাকল অনীমক্না হৌজিক হৌজিক য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবনি।*

*জঞ্জুৱানা হায়খি ফাদোক থাদোক্লবগা লোয়ননা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা হীরম কয়াদা পুন্না খৎনমীন্নবা মথৌ তাই। ৱারী শান্নদ্রবদি লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবদা ৱানা থোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।*

*ইন্দিয়াগী হায় কমিসনর অজয় বীশারিয়ানা ঙরাং পাকিস্তানগী নেসনেল সিক্যুরিতি এদভাইজর লেফতনেন্ত জেনেরেল (রিতায়র্দ) নাসির খান জঞ্জুৱাগা ইসলামবাদতা উনদুনা লৈবাক অনীগী হৌজিক লৈনরিবা মরীগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শানখি হায়না ইন্দিয়ান হায় কমিসন ছোস অমনা ফোংদোকখি।*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

*Ref:- Mut. Case No. 141/SDC/IW/LC 2018*

Nungshijao Golmei S/o (L) James Golmei of Langthabal Khoupum. ...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Golmei James Kabui S/o G. Khantaising Kabui of Langthabal Khoupum. ...... *O.P.P*

**NOTICE**

Lilong Chajing, the 4/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৭-লংথবাল কুঞ্জা অনৌবা পাট্টা নম্বর ৫৪১/৯৭৪ দাগ নং ১২১৮ এরিয়া ০.৩৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার গোলমৈ জেমস কবুই পী: জি: খনতাইশিং কবুই সাং লংথবাল খৌপুম অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা অপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা অপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Ak. Lalmohon Singh**
***Sub-Deputy Collector,***
Lilong Chajing, Imphal West

*HL-P/937/5*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

*Ref:- Mut. Case No. 140/SDC/IW/LC 2018*

Nungshijao Golmei S/o (L) James Golmei of Langthabal Khoupum. ...... *Petitioner*

-Vrs-

Ngarirungba Kabui S/o (L) Chingkhurui of Khoupum. ...... *O.P.P*

**NOTICE**

Lilong Chajing, the 4/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৭-লংথবাল কুঞ্জা অনৌবা পাট্টা নম্বর ৫৩৭ দাগ নং ১২২৬ এরিয়া ০.২৫ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার ঙারিরুংবা কবুই পী: মৃ: চিংখুরুই সাং খৌপুম অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা অঙনফৌ লৌফম অসিগী মরীদা অপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা অপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Ak. Lalmohon Singh**
***Sub-Deputy Collector,***
Lilong Chajing, Imphal West

*HL-P/936/5*

**CAS Medical/Foundation**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
CRASH MEDICAL COURSE for NEET -2018
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)
Foundation Course Classes commencing from 9th April, 2018
Facility of:- #Morning Batch #Evening Batch
Seats are limited Fiirst come First Served
VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4553/4-7

**CAMBRIDGE ENGLISH**
At Keishamthong Elangbam Leikai Leirak Macha, Imphal West.
Admission Starts! 10 Seats only!
GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH
Group 1:Special (Classes-X,XI,XII appeared students & others)
Group 2: Senior (Teachers, Office goers, Businessmen & others)
Group 3: Student (College, University and Job Hunters etc)
Special English : Competitive Exams.
Outstanding Features: Complete study material specially designed for the target improvement-Regular tests and assignments for vocabulary, grammar, drills & group discussion, interview skills (SSB, SSC, UPSC, LIC, Bank PO etc.)
2nd Batch starts on 5th April 2018 & 3rd Batch starts soon
Class time: Morning - 1) 05:00 am to 06:20 am 2) 06:30 am to 08:00 am
3) 08:20 am to 09:50 am 4) 10:00 am to 11:30 am
Afternoon -1) 12:00 pm to 01:30 pm 2) 01:30 pm to 03:00 pm
3) 03:00 pm to 04:30 pm 4) 04:30 pm to 06:00 pm
Place: 1. Keishamthong 2. Singjamei Supermarket (Smart Tutorial)
For Address Contact- 9774463856 & 9402280502 ( H.Chinglen)
2nd Batch English Class-X (BOSEM) on 12th April 2018
NB: Home Tutor, Hostel facility and Van service available

HL-P/777/17/3-18/4

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**MANIPUR SOCIETY FOR SKILL DEVELOPMENT, STATE GUEST HOUSE, SANJENTHONG, IMPHAL -795001**

**"EXPRESSION OF INTEREST (EoI)"**

Imphal, the 29th March, 2018

**No.3/4/18-MSSD(PMKVY)Pt:** Sealed proposals are invited by the Manipur Society for Skill Development (MSSD), Government of Manipur for Empanelment of suitable Training Providers to conduct Skill Development Training Programme under PMKVY 2.0 in Manipur. Detailed document and terms and conditions may be seen at **http://www.manipur.gov.in** . The TPs who had applied to the EoI issued earlier vide No. 3/4/16-MSSD(PMKVY) dt. 5/5/2017 and had been recommended by the State Government need not apply again.

The Interested Agencies/Firms/ Organisation seeking empanelment as Training Providers are hereby requested to submit the proposal at the office of the undersigned on or before 28th April, 2018 by 14:00 Hours. The proposal will be opened at 15:00 Hours on the same day at the office of the undersigned.

*Sd/-* **C. Arthur Worchuiyo, IAS**
***Mission Director***
Manipur Society for Skill Development (MSSD)
Government of Manipur

*HL-B/4557/5&6*

**B.C.C. Manipur**
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSES FOR CLASS X, XI & XII Sc.
CRASH COURSE FOR NERIST 2018
Our selected students for last year



Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 7005684125

HL-B/4530/13/3-13/4